## চাইনাদা এন্টি-লোকদাউন প্রোটেষ্ট কনশিনখ্রে
# প্রসিদেন্ট সি জিনপিং রিজাইন তৌনবা ফোঙনা তকশিনখ্রে



বৈজিং, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
চাইনাদা গভর্ণমেন্টগী অকনবা কোভিদ লাকশিন্নবগী থৌরাংশিংগী মায়োক্তা চথুরক্লিবা প্রোটেষ্টশিং হেন্না কনশিনখ্রে। প্রোটেষ্টর কয়ানা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লুচিংবশিংদা ফাওবা মখোয়গী অশাউবা অদু ওনশিনখ্রে হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী কোরোনা ভাইরস কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলক্তুনা পুন্না ইনফেক্সন ৪০,০০০ দিটেক তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা মীয়াম্না কোভিদকী অকনবা লোকদাউননচিংবা অথিংবশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথুরকখিবনি।

চাইনাগী সোসল মেদিয়া অমসুং ত্বিটরদা থাগৎপা ভিদিওশিংদা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা কর্ম্মসিএল হব সাংহাইদা মীয়াম্না অচৌবা দেমোন্সট্রেসন অমা পাঙথোকপা য়াওনা মফম কয়াদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট চথুবা উখি।

সাংহাই সিটিদা মীয়াম্না রুল্লিং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনা (সিপিসি) অমসুং প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী মায়োক্তা অশাউবা উৎপা স্লোগান কয়া লাউখি। বৈজিং অমসুং নাঞ্জিংদা মহৈরোয়শিংনা য়ুনিভর্সিটিশিংদা কোভিদ লোকদাউনগী মায়োক্তা দেমোন্সট্রেসন পাঙথোক্লখ্রে হায়রি।

খ্বাইদগী নৌবা কোভিদকা মরী লৈনবা ইরাং অসি মনুং হঞ্জিন্না লৈবা অৱাং নোংচুপ থংবা লৈবাক অসিগী উরুমকি সিটিদা কোভিদকী অকনবা লোকদাউনগী রুলশিংনা মরম ওইদুনা টৱার ব্লোক অমা মৈ চাকপদা মীওই তরা শিখিবদগী চথুখিবা প্রোটেষ্ট অমগী মতুং তারকপনি। চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা কোভিদকী অথিংবশিংনা মরম ওইদুনা মীওইশিং অদু শিহনখিবনি হায়বা ৱাফম য়াখিদ্রবসু উরুমকিগী ওফিসলশিংনদি মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা এপোলোজি অমা ইস্যু তৌখি অমসুং অথিংবশিং তাঙ্কক নাইনা লৌথোক্তুনা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিলহনগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখি।

চাইনাগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি অমসুং মালেমগী মরু ওইবা ফাইনান্সিএল হব অমা ওইরিবা লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা সাংহাই সিটিদা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা চথুখিবা প্রোটেষ্টশিংদা মীয়াম্না সি জিনপিং মফম থাদোক্কদবনি, চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টি পৱার থাদোকউ হায়না ফোঙনা লাউনখি। মীওই কয়ানা ইহাং হাংবা অঙৌবা মচুগী বেন্নরশিং পায়নখি। অতৈ কয়া অমনা কেন্দল চুখৎনখি অমদি উরুমকিদা লৈখিদবশিং অদুগী নুমিৎতা লৈ-শু কৎতুনা অৱাবা ফোঙদোক্লখি।

গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রসিদেন্টবু হকথেংননা চৈ থাংলুবদা অকনবা চৈরাক কয়া ফঙনিংঙাই ওইবা চাইনাদা অসিগুম্বা দিমান্দ কয়া তৌরিবসি লৈবাক অসিদা মহৌশাদগী চৎনরকপশিংগা খরা তাইওনৈ হায়না লৌনরি।

এনালিষ্টশিংনা হায়রি, মদুদি চাইনিজ গভর্ণমেন্টগী জিরো-কোভিদকী এপ্রোচ অসিগী মায়োক্তা মীয়াম্না পেন্দবা হেনগৎলক্লিবসি গভর্ণমেন্টনা তরাইনা লৌবগুম তৌরি। হন্দক্তা মখা তানা লৈঙাক্কী পৱার টার্ম অমগসু শীন্নখ্রবা সি জিনপিংগা মরী লৈনবা পোলিসি অসিবু লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাক শন্না য়ানিংদবা উৎতুনা লাক্লিবনি।

সাংহাইদা প্রোটেষ্টর অমনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি মীয়াম্না লন্বীশিংদা থোক্তুনা ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা কোভিদকী লোকদাউনশিং শীংনদুনা খোল্লাউ কয়া লাউবসি উবদা মঙোন দা ঙকপা ফাওই। অসিগুম্বসি ঙসি ফাওবদা মহাক্না চাইনাদা উবা অহানবনি।

বৈজিংদা চথুখিবা প্রোটেষ্টশিংদা পুলিসনা মীওই কয়া ফাখিবগা লোয়ননা মৈ চাকপগী ভিক্তিমশিংগী মফমদা ইকায় খুম্ননবা উৎননবা লৈ-শু কৎনবা হোৎনরিবা মীওইশিং লাকশিন্নবগীদমক্তা উরুমকিগী লন্বীগী অকোয়বদা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা উখি।

## ‘য়ুএস অমসুং ইরানগী প্রোব্লেমশিং নিগোসিএসন্না সোল্ব তৌবা ঙম্লোই’

টেহরান, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতুল্লা অলি খামেনৈনা মহাক্কী লৈবাক অমসুং য়ুএসকী মরক্তা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং নিগোসিএসনগী খুত্থাংদা সোল্ব তৌবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়না ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি ইর্নাগী পাউনা হায়রি।



থাংজ নুমিত্তা ইরানগী বাসিস ভোলন্টরি ফোর্সকী মেম্বরশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ইরানগী সুপ্রিম লিদর অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

খামেনৈনা হায়খি, মদুদি মতম চুপ্পগী ওইনা ইরানবু থৌদোক ৱাথোক খুদিংগী মরাল কয়া শীজিন্দুনা অথিংবা কয়া লাউথোকপা অসিনা প্রোব্লেমশিং সোল্ব তৌবা য়াগনি হায়না খল্লিবা য়ুএসকী ৱাখল্লোন অসি য়াম্না লানগনি। ৱাশিংতনদা অপেনবা নাইদে। মতম চুপ্পদা অনৌবা দিমান্দশিং তৌদুনতা লৈরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫ দা টেহরান অমসুং মালেমগী পৱারশিংগী মরক্তা পুরকখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অমগী ফ্রেমৱার্ককী মখাদা য়ুএসনা ইরানদা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপগী ৱাফম য়াখি।

অমরোমদা, দিল অদুদা ইরাননা মসিগী ন্যুক্লিয়র এক্তিভিটিশিং হন্থবগী ৱাফম য়াখি। ইরানগী টোপ লিদর অসিনা হায়খি, অমেরিকানা মতুং তাবদা দিল অদুদা য়ানখিবা ৱাফমশিং থৌওইরকখিদে। মসি ৱাশিংতনগা চথবা নিগোসিএসনশিং মহৈ য়ান্দে হায়বগী অতোপ্পা প্রুভ অমনি। ওফিসল ওইনা জোইন্ট কম্প্রিহেন্সিব প্লান ওফ এক্সন হায়না খঙনবা ন্যুক্লিয়র দিল অদুদগী য়ুএসনা কুমজা ২০১৮ দা হন্দোকখিবগা লোয়ননা ইরানদা অমুক হন্না অথিংবশিং থমজিনখিবা অদুনা মরম ওইদুনা টেহরাননা দিল অদুগী মখাদা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র কম্মিটমেন্টশিংগী মনুংদা খরা খোঙ্গাওনখি।

কুমজা ২০২১ গী এপ্রিলদা দিল অদুবু হিংগৎহন্নবগী মতাংদা ভিএনাদা ৱারী শানবা হৌখি। হৌখিবা ওগষ্টকী অঙনবা শরুক্তা চথুখিবা খ্বাইদগী নৌবা ৱারীগী রাউন্দ অদু লোইবদা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা অমত্তা পুরকপা ঙমখিদে।

য়ুএসকী পেন্নাইদ্রবা দিমান্দশিংগী মতাংদা পল্লদুনা খামেনৈনা হায়খি, মদুদি য়ুএসনা অহানবদা ইরানদা চাদা ২০ গী য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন্ট লেপ্পুনবা হায়রকখি। মদুগী মতুংদা চাদা ৫ গী ইনরিচমেন্ট ফাওবা তকশিল্লকখি অমকসু মদুগী মতুংদা য়ুএসনা টেহরানবু মসিগী ন্যুক্লিয়র ইন্দষ্ট্রি পুম্বা থিংজিলহনবা পামখি।

## য়েমেনগী থাউ মরাং কায়না ফঙবা সবৱাদা বোম পোকখায়বদা লান্মী মঙা শিরে

অদেন, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
য়েমেনগী থাউ মরাং কায়না ফঙবা সবৱাদা থাংজ নুমিত্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সকী মেম্বর মঙা শিখ্রে হায়না সেক্যুরিটি ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোরক্লি।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা লোকেল সেক্যুরিটি ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখিবদা অল-কাইদাগী গনমেনশিং ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা কাঙবু অমনা সবৱাগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌদুনা আই ঈ দি অমা পোকখায়হল্লকখি।

শাথিরবা পোকখায়বগী থৌদোক অদু ওইল ফিল্ডশিংগা নক্লবা মফম অমদা থোকখিবনি। টেরর এটেক অদুদা সেনিয়র ওফিসর অমা অমসুং অতৈ কয়া য়াওনা পুন্না লান্মী মঙা শিখি হায়বসি মহাক্না কনফার্ম তৌখি।

ছোর্স অসিগী মতুং ইন্না বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোল্লিসন্না শৌগৎপা সবৱাগী নৌনা রিক্রুট তৌবা দিফেন্স ট্রুপশিংগী মিলিটরি ভেহিকল অমা মাঙ তাকখি।

অদেনদা বেজ তৌবা সাউদর্ন ট্রাঞ্জিস্নেল কাউন্সিল (এস টি সি) না প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি সবৱাদা মখোয়গী ফোর্সশিংনা অতোপ্পা এক্সপ্লোসিব দিভাইস অমসু দিফ্যুস তৌখি।

য়ুএনন্না ৱাতেমদুনা পুরকখিবা ট্রুস অমগী মতম ওক্তোবর অনীদা লোইখিবা মতুং শুপ্নগী থা অনীগী মতমদা য়েমেনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা প্রো-গভর্ণমেন্ট ট্রুপশিংগী মায়োক্তা এটেক লেপ্পুনা চথুরকখিবনি।

সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোল্লিসন্না শৌগৎপা য়েমেনি গভর্ণমেন্টগী ফোর্সশিংনা য়েমেনদা বেজ তৌবা অল-কাইদাগী ব্রাঞ্চকী লোৎফমশিং মরু ওইনা সবৱা অমসুং য়ুমথংনরিবা প্রোভিন্সশিংগী চীংনুং মানুংশিংদা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথুরিঙৈদা টেরর এটেকশিংসু কনখৎলক্লিবনি।

য়েমেনগী খা থংবা প্রোভিন্সশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা চথুখিবা অচৌবা এটেক কয়া লৈবাক অসিদা বেজ তৌরিবা অল-কাইদা ইন ড অরাবিয়ন পেনিন্সুলা (এ ক্যু এফ পি) নেটৱার্কনা ক্লেম তৌখিবনি।

## নেপালগী ইলেক্সনদা নেপাল্লি কংগ্রেসনা মাঙজিল থারি মেজোরিটি ফঙবা য়াবগী ফিভমদি উদ্রি

কাঠমান্দু, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
থাসিগী ২০ দা পাঙথোকখিবা নেপালগী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিব (ঐচ ও আর) অমসুং প্রোভিন্সিএল এসেমব্লি (পিএ) গী ইলেক্সনশিংগী ভোটমশিং থীবা খুমাঙ চাওশিল্লকখিবগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা নেপাল্লি কংগ্রেসনা টোপ পোজিসনদা লৈ হায়রি।



য়েৎনবা লৈবনা মরম ওইদুনা ইলেক্সন কন্সটিট্যুয়েন্সি অহুমগী ভোট মশিং থীবা হৌদ্রি। অতৈ কন্সটিট্যুয়েন্সি তরেৎকী ভোট মশিং থীবদি চথুরি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ নেপালনা হায়রি।

মসি কুমজা ২০১৫ গী সেপ্টেম্বরদা কন্সটিট্যুসন চৎনবা হৌখিবা মতুংদা নেপালদা পাঙথোকপা অনীশুবা ফেদরেল অমসুং প্রোভিন্সিএলগী ইলেক্সননি। ইলেক্সন কম্মিসনগী মতুং ইন্না ফার্ষ্ট-পাস-ড-পোষ্ট (এফ পি টি পি) কেটিগরিগী মখাদা ইলেক্টরেল কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৬৫ গী মখাদা ১৫৫ গী ভোট মশিং থীবা লোইশিল্লকপগা লোয়ননা রিজল্টশিং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা লাউথোকপা হৌখ্রে।

প্রপোস্নেল রিপ্রজেন্টেসনগী মখাদা পাঙথোকখিবা মীখলগী ভোট মশিং থীবগী থবকসু হৌজিকসু লেপ্পুনা চথুরি। ফেদরেল এসেমব্লি সিট ২৭৫ গী মনুংদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ১৬৫ এফ পি টি পিগী মখাদা মায় পাক্লে। অদুগা লো মেক্কর ১১০ প্রপোস্নেল রিপ্রজেন্টেসনগী মখাদা খল্লগনি। মান্নবা মওংদা প্রোভিন্স তরেৎমক্কী ওইনা য়ুনি কেমেরেল প্রোভিন্সিএল এসেমব্লিশিংনা মীখলশিংসু পাঙথোকখি।

নেপালগী প্রোভিন্স তরেৎমক্কী ওইনা পুন্না প্রোভিন্সিএল সিট ৫৫০ নি। সিটশিং অসিগী মনুংদা ৩৩০ হায়বদি চাদা ৬০ এফ পি টি পিগী খুত্থাংদা ইলেক্ট তৌগনি অমসুং সিট ২২০ হায়বদি চাদা ৪০ না প্রপোস্নেল রিপ্রজেন্টেসনগী খুত্থাংদা খনগনি।

ভোট মশিং থীবগী নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবগী পোজিসনশিংদা নেপাল্লি কংগ্রেসনা সিট ৫২ ফঙদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি। সি পি এন (য়ু এম এল) না সিট ৪১ ফঙবা ঙমখ্রে। সি পি এন (মাওইষ্ট সেন্টর) না সিট ১৭ ফংখিবদা সি পি এন (য়ুনিফাইদ সোসিয়েলিষ্টনা সিট ১০ ফংখ্রে। রাষ্ট্রিয়া স্বাতন্ত্র পার্টি অমসুং রাষ্ট্রিয়া প্রজাতন্ত্র পার্টিনা সিট ৭-৭ ফঙবা ঙমখি। মীখলগী রিজল্ট মপুং ফানা লাউথোক্কদবা কুইরক্তবগা লোয়ননা হিমালয়ন লৈবাক অসিগী মীখল অসিদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা মেজোরিটি ফংবা ঙম্লোইদবগী ফিভমদা লৈরি। পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা মেজোরিটি ফঙবা ঙম্লকখিদবগা লোয়ননা হৌজিক্কী পোলিটিকেল পার্টি মঙাগী লৈঙাক পায়রিবা এল্লায়ন্সনা থাংজ নুমিত্তগী গভর্ণমেন্ট শেম্নবা ৱারী শানবা হৌখ্রে।

নেপালি কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সের বহাদুর দ্যুবানা লুচিংবা হৌজিক্কী রুল্লিং কোলিসনগী এল্লায়ন্স অসিদা নেপালি কংগ্রেস, সি পি এন (মাওইষ্ট সেন্টর), সি পি এন (য়ুনিফাইদ সোসিয়েলিষ্ট), রাষ্ট্রিয়া জনমোর্চা অমসুং লোক তন্ত্রিক সমাজ ৱাদি পার্টি য়াওরিবনি।

মেজোরিটি য়ৌগদবা য়াম্না ৱাৎলিবা অতোপ্পা এল্লায়ন্স অমদি সি পি এন-য়ু এম এলনা লুচিংলিবনি। থাংজ নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর দ্যুবা অমসুং মাওইষ্ট সেন্টরগী চিয়ারমেন পুস্পা কমল দাহলনা উন্নদুনা হৌজিক লৈরিবা কোল্লিসন মখা শাংথনবগী লন্বীশিং খন্নখি।

## বেলোচিষ্টানদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেররিষ্ট মাপন হাৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী সাউথ ৱেষ্ট বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সতা চথুখিবা ওপরেসন অমদা পাকিষ্টানি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেররিষ্ট মাপন হাৎখ্রে অমসুং অতৈ অহুম ফারে হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।



পাকিষ্টানি মিলিটরিগী মেদিয়া ৱিং ইন্টর-সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর) না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, থাংজ নুমিত্তা প্রোভিন্স অদুগী কোলু দিষ্ট্রিক্টতা ছর্স ওপরেসন অমা চথুদুনা টেররিষ্ট এক্তিভিটিশিংদা চেন্নবা টেররিষ্টশিং ফাননবা হোৎনখি।

ছর্স ওপরেসন অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেররিষ্ট কাঙবু অমা থেংনখি অমসুং মখোয়গা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নখি। নাকল অনীগী লান অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মিলিটেন্ট মাপন কাপ্তুনা হাৎখি অমসুং লানফম অদুদা অশোক অপন নঙলবা অতৈ মিলিটেন্ট অহুম ফাখি।

সেক্যুরিটি ফোসশিংগী খুৎতা শীরিবা অমদি ফারবা টেররিষ্টশিং অদু অথিংবা থমখ্রবা বেলোচ লিভরেসন আর্মিগী মীওইশিংনি। মখোয় রেন্সমগীদমক্তা মী ফাবা, নমদুনা শেল লৌবা অমসুং লমদম অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা চথুখিবা এটেক কয়াদা চেন্নবশিংনি হায়না মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

আই এস পি আরগী মতুং ইন্না টেররিষ্টশিং অদু প্রোভিন্স অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংদা থবক তৌরিবা ইঞ্জিনিয়রশিং অমসুং লেবররশিংদা টার্গেট তৌদুনা হাৎ-তুপ্পা চথুবদসু চেন্নৈ। টেররিষ্টশিং অদুনা প্রোভিন্স অদুগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা টেররিষ্ট এটেকশিং চথুনবা থৌরাং তৌদুনা লাকখি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। টেররিষ্টশিং অদুদগী য়াল্লবা নোংমৈ অমদি এম্যুনেসন ফাগৎখি হায়নসু আই এস পি আরনা ফোঙদোকখি।


## সাউথ কোরিয়াদা হেলিকোপ্টর কায়বদা মীওই মঙা শিখ্রে

য়াংয়াং, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
নোংমাইজিং নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী য়াংয়াংদা লৈবা বুদ্ধিষ্ট টেম্পল অমগা নক্লনা হেলিকোপ্টর অমা কায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই মঙা শিখ্রে হায়না ফায়র ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ভিক্তিমশিং অদু মশক খঙদোক্লবা হোৎনরি। ওফিসলশিংনা অহানবদা হেলিকোপ্টর অদু কায়বদা মীওই অনী হায়বদি মশাগী চহী ৭১ শুরবা পাইলোট অমা অমসুং চহী ৫৪ শুরবা মেকানিক অমা শীখি হায়না থাজনখিবনি।

য়াংয়াংগী লোকেল গভর্ণমেন্টনা লিজদা শীজিন্নরিবা হেলিকোপ্টর অমা ওইরিবা এস-৫৮০ হেলিকোপ্টর অদু উমংদা চাক্লিবা লাম্মৈগা মরী লৈননা সর্ভে অমা চথুরিঙৈ অয়ুক পুং ১০.৫০ রোম তাবদা চীং অমদা কায়খিবনি। য়ুএসকী হেলিকোপ্টর মেন্যুফেকচরর সিকোর্সকিনা শাবা হেলিকোপ্টর অদু মচেৎ কয়া থোক্লা কায়বগা লোয়ননা মৈরি চাওনা থোকখি। তৌইগুম্বসুং অয়াম্বা শরুক মুখৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা মৈ অদু শন্দোরক্লোই হায়বগী থাজবা লৈ। ফায়র ওথোরিটিশিংনা হেলিকোপ্টর অমা, ইক্বিপমেন্ট ২৮ অমসুং ফায়র স্পোন্দরশিং য়াওনা পর্সনেল ১১৪ দিপ্লোই তৌখি হায়রি।

## স্বেদশিংনা হেন্না শাথিবা ইনর্জিগী ফিভম মায়োক্লরকপা য়াই

ষ্টোকহোল্ম, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
স্বিদেনদা ইনর্জিগী ফিভম মথংগী নিংথম থাদা হেন্না শোকচিল্লক্কনি হায়না স্বেদিস ইনর্জি এজেন্সিগী এক্সপার্ট অমনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

কা হেন্না ইনর্জিগী মমলশিং ৱাংবগী ফিভম মায়োক্লদুনা লৈরবা স্বেদশিংনা মথংগী নিংথম থাদা ইনর্জিগী মমলশিং হেন্না ৱাংলকপগী ফিভম মায়োক্লনবা শেম শাগদবনি হায়না থাংজ নুমিত্তা এজেন্সি অসিগী সপ্লাইগী সেক্যুরিটিগী হেদ অন্দর্স ৱালিন্দরগী ৱারোল পল্লদুনা দাগেন্স নেহটর (দি এন) পাউচেগী রিপোর্টতা পনখি। য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অদুনা মরম ওইদুনা য়ুরোপনা ইনর্জিগী মতাংদা রসিয়াগী মপান তাংবা য়ারিমখৈ হন্থহন্নবা হোৎনরিবনি। কনফ্লিক্ট অসিগী মমাঙদা য়ুরোপতা শীজিন্নরিবা নেচরেল গ্যাস পুম্বগী চাদা ৪০ রসিয়াদগী ইম্পোর্ট তৌখি।

মরম অদুনা কুমজা ২০২৩-২৪ গী নিংথম থাগী মমাঙদা য়ুরোপনা রিক্যুফাইদ নেচরেল গ্যাস (এল এন জি) গী মতাংদা য়ুএস অমসুং মিদ্দল ইষ্টতগী লাকপা সপ্লাইশিংগী মপান তাংলগনি। মসিদা নত্তনা নেচরেল গ্যাসতগী হেন্না মমল য়াম্বনা স্বেদশিংনা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লগদৌরি।

স্বেদিস ইনর্জি এজেন্সিগী মতুং ইন্না য়ুরোপকী অতৈ লৈবাকশিংগা স্বিদেনগা মান্নদ্রিবদি লৈবাক অসি গ্যাস শীজিন্নবগী চাং য়াম্না নেম্মী। নেচরেল গ্যাসনা লৈবাক অসিদা শীজিন্নরিবা অপুনবা ইনর্জি অপুম্বগী চাদা ৩ দমক ওইরিবনি। অদুম ওইনমক স্বেদিস ইনর্জি গ্রিদকা য়ুরোপকী অতৈ মফমশিংগা শম্নখিবদগী স্বিদেননা মরু ওইনা লৈবাক অসিগী খা থংবা লমদমশিং ইনর্জিগী মমল হেনগৎলকপগী চৈথেং নঙলক্লিবনি হায়রি।


## নোর্থ কোরিয়ানা কিহনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা য়ুএস স্পেস ফোর্সকী রিজনেল কম্মান্দ হাংলগনি




সিওল, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌদুনা কিহনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা য়ুএস ফোর্সেস কোরিয়া (য়ুএসএফকে) না হোষ্ট ওইদুনা সাউথ কোরিয়াদা য়ুএস স্পেস ফোর্স (য়ুএসএসএফ) কী কম্পোনেন্ট কম্মান্দ অমা হাংলগনি হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৈবাক অসিগী মপানদা হাংবা অনীশুবা রিজনেল স্পেস কম্মান্দ ওইরগনি হায়নসু ছোর্সশিং অদুনা মখা তারি। অৱাংবা থাক্কী গভর্ণমেন্ট ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না য়ুএস দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সনা য়ুএসএফকে ৱিংগী মখাদা স্পেস ফোর্সকী কম্পোনেন্ট কম্মান্দ অমা হাংননবা থৌরাং তৌরি অমসুং য়ুএসএসএফনা বোদি অদু চহী অসি লোইবা ফাওবগী মনুংদা মসিগী ওর্গনাইজেস্নেল ষ্ট্রকচরদা মপুং ফানা তিনশিলবগী পান্দম থল্লি।

সাউথ কোরিয়াদা হাংগদৌরিবা কম্পোনেন্ট কম্মান্দ অদু য়ুএস মেনলেন্দগী মপানদা লোঞ্চ তৌগদবা য়ুএসকী অনীশুবা স্পেস কম্মান্দ হেদ ক্বার্টর্স ওইরগনি। অহানবা কম্পোনেন্ট কম্মান্দ অদু থাসিগী অঙনবদা ইন্দো-পেসিফিক কম্মান্দগী মখাদা হৱাইদা লিংখিবনি। লোঞ্চ অদুনা য়ুএসএফকেবু নোর্থ কোরিয়ানা য়ুএসন মেনলেন্দ য়ৌশিনবা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় য়াওবা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল কয়া কাপ্পগী কেপেবিলিটি লৈরে হায়না লাউথোকচরিবা মতম অসিদা ইগজোর্সফ্যেরদা পায়শিল্লকপা ট্রেস এরিয়েল ভেহিকলশিং দিটেক তৌবা অমদি খোঙ্গুল লীবা ঙমহল্লগনি হায়রি।

অনৌবা য়ুএসএফকে বোদি অদু হৱাইদা লৈরিবা পর্সনেল ২০ লোম থল্লিবা স্পেস কম্পোনেন্ট কম্মান্দ অদুদগী হেন্না পীক্কনি হায়না ছোর্সশিং অসিনা প্রিদিক্ট তৌরি। স্পেস কম্পোনেন্ট কম্মান্দ অদু হেক হাংবগা মদু সি ৪ আই হায়না খঙনবা মিলিটরি নেটৱার্কিং সিষ্টেমগী খুত্থাংদা য়ুএস স্পেস ফোর্স অমসুং য়ুএস স্পেস ফোর্সেস ইন্দো-পেসিফিক্কা শম্নহন্দুনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল এক্তিভিটিশিংগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন রিয়েল টাইমদা স্যের তৌনগনি। য়ুএসনা কুমজা ২০২২ লোইবা ফাওবগী মনুংদা মিদ্দল ইষ্টকী চার্জ ওইনা সেন্ট্রেল কম্মান্দগী মখাদা অহেনবা স্পেস কম্পোনেন্ট কম্মান্দ অমসু লিংলগনি।

## পাষ্টুন লিদর মোসিন দৱার টজাখকিষ্টানদা চৎপা থিংখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
নেসনেল এসেমব্লিগী মেম্বর মোসিন দৱারনা টজাখকিষ্টানগী খোঙচৎ অমগীদমক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইস্লামাবাদ এয়রপোর্টতা প্লেন তোংনবা হোৎনরিঙৈদা পাকিষ্টানগী ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন ওথোরিটি (এফ আই এ) না থিংখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



নেসনেল দিমোক্রেটিক মুভমেন্টগী চিয়ারমেনসু ওইরিবা দৱার হেরাট সেক্যুরিটি দাইলোগতা শরুক য়ানবগীদমক্তা টজাখকিষ্টান পাঙননবা হোৎনরম্বনি। অদুম ওইনমক মহাকপু এয়রপোর্টতা ফেদরেল এজেন্সি এফ আই এনা থিংখি হায়ন ড ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।

পাষ্টুন টহাফুস মুভমেন্টগী লূচিংবা অসিনা হায়খি, মদুদি ফেদরেল কেবিনেটকী এপ্রুবেলগা লোয়ননা মহাক্কী মিং থা অনীগী ওইনা একজিট কন্ট্রোল লিষ্ট (ই সি এল) দগী লৌথোকখ্রে। ঐহাক্না ইস্লামাবাদ এয়রপোর্টতগী পাইদ্রিঙৈগী মাঙওইননা এফ আই এদা পাউ পীখিবা মাল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

মখা তানা অকুপ্পশিং পল্লদুনা এম এন এনা হায়, কাউন্টরদা চঙশিন্দুনা হংখিবা মতমদা মঙোন্দা মহাক্কী মিং হৌজিকসু নো-ফ্লাই লিষ্টতা য়াওই হায়রকখি। মহাক্কী মিং ই সি এলদগী লৌথোকখ্রে হায়না মহাক্না ওফিসলশিংদা তমখিবা ওইরবসু মখোয়না মঙোন্দা মহাকপু লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎহন্দনবা খঙহল্লকখি হায়রকখি।

দৱারগা লোয়ননা পি টি এন এম এন এ অলি ৱাজির অমসুং পার্টিগী অতৈ লুচিংবা খরা রাইওট চথবা ইরাং হৌগদবা, স্পিচ পীবা অমসুং অতৈ চার্জ কয়া মায়োক্লরিবনি। চাজশিং অদু করাচিগী স্বারফ গোদ, সাহ লাতিফ অমসুং বোট বাসিনগী পুলিস ষ্টেসনশিংদা রেজিষ্টর তৌখিবা মান্নবা কেস মরিগা মরী লৈনৈ।

কেসশিং অদু পাকিষ্টান পেনাল কোদ (পিপিসি) গী সেক্সন ১৪৭, সেক্সন ১৪৯, সেক্সন ৫০০, সেক্সন ৫০৫ অমসুং অতৈ সেক্সনশিংগা লোয়ননা এন্টি-টেররিজম এক্ট ১৯৯৭ গী সেক্সন তরেৎকী মখাদা রেজিষ্টর তৌখিবনি।

## বেলারসকী ফোরেন মিনিষ্টর ব্লাদিমির মাকৈ খঙহৌদনা লৈখিদ্রে

মোস্কো, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
বেলারসকী মতম শাংনা ওফিস পায়রক্লবা ফোরেন মিনিষ্টর খঙহৌদনা লৈখিদ্রে হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি বেল্টানা থাংজ নুমিৎকী রিপোর্ট অমদা হায়রি।



মহাক রসিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবগা উন্নগদবা নুমিৎ নীনিগী মাঙওইননা লৈখিদবনি হায়রি।

ফোরেন মিনিষ্টর ব্লাদিমির মকৈ খঙহৌদনা লৈখিদ্রে হায়না বেল্টানা মখা তাবা অকুপ্পশিং পন্দনা হায়খি। লৈখিদ্রবা মকৈনা মহাক্কী ফম অদু কুমজা ২০১২ তগী পায়রকখিবনি। মশাগী চহী ৬৪ শুরবা মকৈ চয়োল অসিগী অঙনবদা য়েরবানদা পাঙথোকখিবা কলেক্টিব সেক্যুরিটি ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (সিএসটিও) হায়না খঙনবা সোভিয়েট মতুংগী ষ্টেট কয়াগী ওইবা মিলিটরি এল্লায়ন্স অমগী কনফরেন্সতা শরুক য়াখি। মহাক নিংথৌকাবা নুমিত্তা রসিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবা সলগি লাভরোবকা উন্নগদবনি। বেলারসতা প্রসিদেন্সিএল মীখল অমসুং মাস এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিং পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মকৈ অসি বেলারসকা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা লৈনবা মরী ফগৎহন্নবা হোৎনখিবা লৈবাক অসিগী লূচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। মহাক্না রসিয়াবু থেংখাং কয়াদা ক্রিটিসাইস তৌখি। অদুম ওইনমক প্রোটেষ্ট হৌরকখিবদগী মহাক্কী ফিরেপতা অহোংবা কয়া লাকখি। নোংচুপলোমগী এজেন্টশিংনা ইথিল পীবদগী প্রোটেষ্টশিং অদু পাঙথোকখিবনি হায়না মহাক্না মরাল শীখি।

মোস্কো অমসুং মিংস্ককী মরী চেৎশিলহনবা পাম্বা লুচিংবা অমা ওইরিবা মকৈনা য়ুক্রেনগী লান হৌখিবা মতুংদা হায়খি, মদুদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কায়হৌবদগী লান অদু থোক্লকখিবনি অমসুং য়ুক্রেনগী ওথোরিটিশিংনা রসিয়ানা পীরিবা মরা তপ্পা ফিভম লিংনবগী টার্মশিং য়াগদবনি।

রসিয়ানা লান্দাদুনা য়ুক্রেনগী লান হৌগদবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মকৈনা বেলারসকী লমদগী য়ুক্রেনদা এটেক চথবা লৈরোই হায়না থাজবা পীখি। মদুগী মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা রসিয়ন ট্রুপশিংনা মহাক্কী ৱাফম অদু লাল্লে হায়বসি প্রুফ তৌখি।